# জমসেদপুর এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



Match on 29 (Tue.) Oct.

CHENNAIYIN Vs ATK

জমসেদপুর, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা লীগ মেচতা জমসেদপুর এফ সিনা হায়দরাবদ এফ সিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফঙদুনা টেবলগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি জমসেদপুরগী জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্না শান্নখি। জমসেদপুর এফ সি মখোয়গী অহানবা মেচতা ওরিষা এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা ঙমখি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি এ টি কেগী মখুৎতা পাঞ্জল ০-৫দা মায়থীবা নংখি।

জমসেদপুর এফ সি হিরো আই এস এলগী ৬শুবা এদিসন অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি। অহানবা পুংখাই অদু জমসেদপুর এফ সিনা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা শান্নখি। শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা জমসেদসপুর এফ সিনা পুশিনখিবা বোল অমা পিটিনা দিফেন্দর অনী লাম্থোক্তুনা কাউশিনখিবদা হায়দরবাদ এফ সিগী গোল কিপ্পর কমলজিৎনা ফাবা ঙমহৌদবদগী হায়দোরকপা বোল অদু জমসেদপুরগী ফরুক চৌধরিনা পাঞ্জল চনখি।

হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকপদা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ফ্রি কিক অমা কাউরকপদা মার্সেলিনোনা ফংবদগী মতাং মতম চানা দিফেন্দর কিগান পেরৈরাবু নাম্থোক্তুনা কাউশিনখিবদা ইক্বেলাইজর ওইখি।

অনীশুবা হাফতা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোয়শিং খোঙজেল য়াংবা হেনগৎলকখি। মদুগী মতেংনা বোল অদু হায়দরবাদ এফ সিগী হাফতা য়াম্না তোইনা য়ৌশিল্লকখি। ওই থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী ফরুক চৌধরিনা ক্রোস তৌরকপা বোল অমা অনীকেট যাদবনা য়াম্না ফজনা বোলি অমা তৌশিল্লকখি। টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল শোথরবা হায়দরবাদ এফ সিগী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু জমসেদপুর এফ সিগী মায়কৈদা পুশিনবদা অৱাবা অমা ওইখি। জমসেদপুর এফ সিগী দিফেন্দরশিংগী মায়কৈদগী য়াম্না হৈথোই শিংথোইনা শান্নখিবা অদুনা মরম ওইরগা হায়দরবাদকী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফ সিগী সর্জিও কাষ্টলনা সোট অমা তৌখি। অদুবু হায়দরাবদ এফ সিগী গোল কিপ্পর কলমজিৎ সিংহনা ফাখি। ৭৫ শুবা মিনটতা কাউশিল্লকখিবা সর্জিওগী বোল অদু কমলজিৎনা ফাবা ঙমখিদবদগী ৩-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ১০ রোমগী মতম অদুদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা পাঞ্জল শোথরিবা অদু হন্দোক্নবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফঙখিদে। অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখিবদা জমসেদপুর এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা চথরিবা হিরো আই লীগ অসিদা মেচ ২ শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফঙখিবগা লোয়ননা শান্নরোয় ১০গী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 1 | +3 | 4 |
| 2 | NorthEast United | 2 | 1 | 1 | 0 | 2 | 1 | +1 | 4 |
| 3 | Mumbai City | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 | 0 | +1 | 4 |
| 4 | ATK | 2 | 1 | 0 | 1 | 6 | 2 | +4 | 3 |
| 5 | Jamshedpur | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 6 | Kerala Blasters | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 7 | Bengaluru | 2 | 0 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 8 | Chennaiyin | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 | -3 | 1 |
| 9 | Odisha | 2 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 0 |
| 10 | Hyderabad | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 5 | -5 | 0 |

# জুনিয়র নেসনল জুদোগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয়শিং খনগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচএনএস): দিসেম্বর ১দগী ৫ ফাওবা লখনৌদা লৈবা কে দি সিংহ বাবু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী চহী ১৫ মখাগী জুদো টিম খন্ননবা মণিপুর জুদো এসোসিএসনন শীন্দুনা নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চহী ১৫ দগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি।

নুপামচাগী কাংলুপ্তা ৱেথ কেটগোরি ৮ লৈগদৌরি। কেটগোরিশিং অদুদি কিলোগ্রাম ৫৫গী মখা, কিলোগ্রাম ৬০গী মখা, কিলোগ্রাম ৬৬কী মখা, কিলোগ্রাম ৭৩গী মখা, কিলোগ্রাম ৮১গী মখা, কিলোগ্রাম ৯০গী মখা, কিলোগ্রাম ১০০গী মখা অমসুং কিলোগ্রাম ১০০গী মথক্কী কাংলুপনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা কিলোগ্রাম ৪৪গী মখা, কিলোগ্রাম ৪৮গী মখা, কিলোগ্রাম ৫২গী মখা, কিলোগ্রাম ৫৭গী মখা, কিলোগ্রাম ৬৩গী মখা, কিলোগ্রাম ৭০গী মখা, কিলোগ্রাম ৭৮গী মখা অমসুং কিলোগ্রাম ৭৮ মথক্কী কাংলুপ ওইগদৌরি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অদু নবেম্বর ৩গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# এম য়ু টাইক্বান্দো টিমগী ত্রায়েল সেলেক্সন নৌনা মতম লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টাইক্বান্দো (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টিমদা শরুক য়ানবা দিষ্ট্রিক্ট ত্রাইয়েল সেলেক্সন হান্না লেপখিবা মতম অদু খুদোংচাদবা মরমদগী লাক্লিবা নবেম্বর ১২দা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

কোলেশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা মহৈরোইশিংবু ত্রায়েল সেলেক্সনগীদমক ক্লাস ১০ অমসুং ১২কী মার্কসিট, রিদিং সার্টিফিকেট, খ্বাইদগী নৌবা পাসপোর্ট ফোটো হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা থাবিরক্লবা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনি অসি মণিপুর টাই ক্বেন্দো টিম রিপ্রাজেন্ট তৌদুনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টাইক্বান্দো টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়ারুনবগীদমক্তনি হায়রি।

# কনাদাগী মিলোস রাওনিকনা গ্রেট বৃটেনগী সী নুরৈবু রোলেক্স পেরিস মাষ্টরসকী অহানবা রাউন্দদা থোইখ্রে





পেরিস, ওক্টোবর ২৯ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টরস এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা কনাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিকনা অহানবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোয় সী নুরৈবু মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

রাওনিকনা টুর্নামেন্ট অদুদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা নুরৈবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অদুগী মঙাশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনরগনি। থিয়েম অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংখি।

পনবা য়াই, হন্দক্তগা লোইশিনখিবা স্বিস ইন্দোরস টেনিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখিবা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী শান্নরোয় ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদরর টুর্নামেন্ট অসিদগী ৱিথদ্রো তৌখি। মদুগীদমক্তা ফেদররনা পেরিসকী মহাকপু পামজবা ভাবোকশিংদা ঙাকপীনবা হায়রকপা লৈখ্রবনি।

ফ্রান্সকী শান্নরোয় সী মোটেটেনা অহানবা রাউন্দদা সর্বিয়াগী শান্নরোয় দি লাজোবিচকা লম্বা তৌনবদা ৬-৪, ১-৬, ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিচকা লম্বা তৌনরগনি।

স্পেনগী শান্নরোয় ফর্নান্দো ভর্দাস্কোনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিককা লম্বা তৌনবদা ৩-৬, ৬-৪, ৬-৩দা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী শান্নরোয় অলেকজেন্দর জ্বেরেবকা থেংনরগনি।

ফ্রান্সকী বি পাইরেনা অহানবা রাউন্দদা বোস্নিয়া এন্দ হর্জিগোবিনাগী দি জুমহুরবু ৭-৫, ৬-৪দা থোইদুনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রবা ১৩ শুবা সিদেদ শান্নরোয় অতোপ্পা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসকা শান্নরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়া মচা এ দি মিনোরনা অহানবা রাউন্দদা সর্বিয়াগী এল দেরেবা ৬-১,৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৯ শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্পেনগী বোটিস্তা অগুতাগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এসকী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা তি ফ্রিটজনা এফ টিয়াফোবু ৭-৬ (৮-৬), ৩-৬, ৬-৪দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা গ্রিসকী সিসিপাসগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা মেচ অমদা য়ু এস এগী সাম ক্বেরিবু ৫-৭, ৬-৩, ৭-৫তা থোইরম্বা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দিনা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবকা শান্নরগনি।

# মোহন বগান এ সি মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানো এফ সিগী মখুৎতা পাঞ্জল ২-৪দা সেমি ফাইনেল মেচ মায়থীহৌরে



চিত্তাগোং, ওক্টোবর ২৯(এজেন্সী): থা অসিগী ১৯দগী লৈবাক ৮না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকখিবা সেখ কমাল ইন্টর্নেসনল ক্লব কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি চিত্তাগোংদা লৈবা এম এ অজিস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব মোহন বগান এ সি মলেসিয়াগী ক্লব টেরেনগানো এফ সিগী মখুৎতা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব গোকুলম কেরালা এফ সি য়ুম্বু লৈবাক বংলাদেশকী ক্লব চিত্তাগোং অবাহানিনা এক্সত্রা টাইমদা পাঞ্জল ৩-২দা থোইরমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী ক্লব ৩ পুন্না শরুক য়াবদা ২ সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি। ঙরাং অমা লৈহৌরবা মতুং ঙসি মোহন বগান ফাইনেল য়ৌনবগীদমক মলেসিয়াগী টেরেনগানো এফ সিগা লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী পুংখাইরোমদি নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লেং মান্ননা বোল পায়বা ঙম্নখিবদগী স্কোর বোর্দদা পাঞ্জল অমত্তা লৈবা ঙম্নখিদে। শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা টেরেনগানো এফ সিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় টুকনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মোহন বগানবু মাংজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবদা মোহন বগান পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মোহন বাগনগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা চিত্তাগোং অবাহানিগী দিফেন্দরশিংনা ফাওল তৌরুবদগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী গোঞ্জালেসনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেচকী ৫৯ শুবা মিনটতা টেরেনগানো এফ সিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা টুকনা পাঞ্জল অমগা হপাচিনখি। অদুবু মিনট ২ লৈরগা মোহন বগান এ সিগী মায়কৈদগী গোঞ্জালেসনা ৬৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর ফংদুনা ২-২দা লৈনখি।

মেচকী ৭৫ শুবা মিনটতা টেরেনগানো এফ সিগী সিয়াফিক্রা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং ৭৯ শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল অনী চনখিবা টুকনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মহাক্কী হেটত্রিক ফংখিবতা নত্তনা মোহন বগানবু ৪-২দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌখি।

# শান্নরোয়শিংনা মশান্নশিংগী চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই : ইরেংবম রবিচন্দ্র



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচএনএস): মণিপুরদা ফুটবোল মেচ অমা শান্নবা মতমদা শান্নরোয় অমদি রেফরিগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোক্লিবা অসি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাঙজৌননা শান্নরোয়শিংদা ইন্সত্রক্টরশিংনা গেমসকী চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা মমুৎ তানা তাকপী তন্বীরবদি টুর্নামেন্ট অদুদা খৎন-চৈনবগী চাং খরমখৈদি হন্থগনি হায়না পাউচে অসিগা অখন্ননা উনরুবা অমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী রেফরি ইন্সত্রক্টর ওইরিবা ইরেংবম রবিচন্দ্রনা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মণিপুরগী অচৌবা ক্লবশিং ওইরিবা ত্রাও অমদি নেরোকাগুম্বা ক্লবশিংগী ওইনদি টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়ারমদাইদা ফুটবোল মশান্না অদুগী চৎন-কাঙলোনগী মতাংদা ইন্সত্রক্টরশিংনা নীংথিনা তাকপী তন্বীরি। অদুবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা ক্লব অতোপ্পশিংনসু অম্ফাদা মাঙজৌননা পাউ পীদুনা ইন্সত্রক্টর থাবীরক্লবা হায়রগা ক্লাস লৌরবদি শোয়দনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকপা ফর্ষ্ট দিভিজন, সেকেন্দ দিভিজন, থর্দ দিভিজন অমদি সুপর দিভিজন্নচিংবদা তোয়না ফিল্ড মনুংদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোক্লিবা অসি খরমখৈদি হন্থগনি হায়খি।

মণিপুরদা চহী ১/২গী মমাঙদা রেফরি অমসুং শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবগী থৌদোক তোয়না থোক্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী এব্যেরনেসকী চাং ৱাংখৎলকপদগী থৌদোকশিং অদু খরদি হন্থরে। মরুওইনা খৎন-চৈনবা থোক্লিবা অসি মায়োক্নরিবা টিমশিং অদুগী কোচ অমদি ওফিসলশিং অদুনা মাগী মাগী টিম অদুনা কাদবা য়াদে হায়বদুগী ৱাখল্লোন্দা শান্নবদগীনি। খুদম ওইনা পল্লবদা, মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট লীগ লোইশিনখিদবা অদুনি।

মহাক্না হায়খিবদা, টিম কোচকী তোঙানবা থৌদাং, ওর্গনাইজরগী থৌদাং, শান্নরোয়শিংগী মথৌদাং লোয়ননা রেফরিগী অচৌবা থৌদাংগা লোয়ননা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অমদা মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা মেচ অমা হৌদ্রিঙৈদা ফ্যের প্লে হায়না থাবা ফিরাল অচৌবা অমা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং অদুদা নত্তনা তিল্লিবা ভাবকশিং অদুদসু শান্নগদৌরিবা মেচ অদু য়াম্না শেংবা স্পোর্টসকী স্পিরিটতা শান্নহন্নবগী পান্দম থল্লিবনি। হায়রিবা ফ্যের প্লেগী মচলশিং অদু য়াওনা অমদি নীংশিংদুনা শান্নরোয়শিং অদুনা শান্নরবদি মেচ অদু খৎন-চৈনবগী থৌদোক্কী চাং অদু শোয়দনমক্কী হন্থগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, রবিচন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিদিয়াগীসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৈ। খুদম ওইনা মিদিয়াশিংনসু মীৎনা উবা খরা অদু হেক্তা চুম্মী লাল্লি খঙদনা ইশিল্লুবদা মীয়ামদা থৌদোক থোকখিবা অদুবু অরানবা মায়কৈদা পুবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি। হৌজিক্কী মতমদা রেফরি খক্তা নত্তনা শান্নরোয়শিংসু লো ওফ গেমগী মতাংদা নীংথিনা হৈবা মথৌ তাই।

শান্নরোয়শিংনা মতম মতমগী স্কিলখক্তা নত্তনা লো ওফ গেমদা হোংলক্লিবা কয়া অসিসু মমুৎ তানা খঙলবদি শান্নরোয় অমসুং রেফরিগী মরক্তা খৎনবগী চাং নেমথগনি। মেচ অমা কন্দক্ট তৌরিবা রেফরি অদুনা লো ওফ গেম অদু মেচ অমদা মপূং ফানা লৈহন্নবা হোৎনরিবনি। মদুদা শান্নরোয়শিং অদুসু পূন্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক অম্ফাগী মখাদা কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা এক্তিভ রেফরি ১৮৪ লৈরি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা ১৯, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ৩২, দি এফ এ মোইরাংগী ১১, দি এস এ সেনাপতিগী মখাদা ১৬, দি এস এ ককচীংগী মখাদা ১২, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী মখাদা ৪, দি এস এ উখ্রুলগী মখাদা ১৮, দি এস এ চান্দেলগী ১৩, দি এফ এ থৌবালগী ৩৪, দি এস এ চূড়াচান্দপুরগী ৭ অমসুং দি এফ এ মোরেগী ৭নি।

হৌজিক অম্ফানা শীন্দুনা রেফরিশিংগী চাওখৎনবা থবক কয়া অমসু পায়খৎলি। মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট খরা খাইদোকখিবদগী রেফরিশিংদসু চৎথোক চৎশিন তৌবগী মতাংদা খুদোংচাবা খরা হেনগৎলক্লি। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী রেফরি অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলি। হৌজিক চথরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ অসিদসু মণিপুরদগী রেফরি ৪ য়াওরি।




HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.



HL-B/5751/19,20,21...



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com